# বি জে পিগী থৌমীশিং পার্টি অদুদা অদুম্মক লেঙদনা লৈবীয়ু অদুবু থবক্তী আম আদমি পার্টিগী ওইনা তৌবীয়ু ঃ কেজ্রিৱাল



রাজকোট, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : গুজরাটতা লৈরিবা বি জে পিগী থৌমী খুদিংমক পার্টি অদুদা লেঙদনা অদুম্মক লৈবীয়ু অদুবু থবক্তী আম আদমি পার্টিগী ওইনা তৌবীয়ু হায়না চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ষ্টেট অদুদা থুঙখিবা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদমি পার্টিগী নেসনল কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা পার্টি অসিদগী মখোয়গী শেনফম খরা ফংবনা মরম ওইরগা লেঙদনা লৈবীয়ু। অদুগা থবক্লা বি জে পিগী তৌবীয়ু। অদু ওইরবদি গুজরাটকী মীয়াম্না নাকল অনীমক্তগী কান্নবা ফংবা ঙমগনি। বি জে পিদগীনা শেল ফংগনি অদুগা এ এ পিনা পৱার পায়রক্লগনা মৈ, ফ্রি এদ্যুকেসননচিংবা কয়া ফংগনি। বি জে পিগা য়েঙনরুবদা এ এ পিগী ওইনদি থৌমীশিংদা য়াম্লবা শেনফমশিং পীনবা পান্দম লৈতে অমদি পীনবা শেনফমসু লৈতে। এ এ পিনা পাল্লিবদি মশাগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদুদা রাইটশিং ফঙহনবনি। এ এ পিনা বি জে পিগী লিদরশিং পামদে। বি জে পিনা মখোয়গী লিদরশিং অদুম্মক থম্বদা ঐখোয়না কল্লকপা ফাওদে। ঐখোয়না পাল্লিবদি গ্রাউন্দ লেভেলদা থবক তৌরিবা থৌমীশিং অদুনি।

সেন্তর অমদি ষ্টেট খরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাকশিংনা মীয়ামদা ফ্রি এন্দ ক্বালিটি এদ্যুকেসন, হেল্থ ক্যের এন্দ ফ্রি ইলেক্ট্রেসিটিগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না মীয়ামদা ঙসি ফাওবা হায়বা ঙমদ্রি। অদুবু এ এ পিগী ওইনদি লৈবাক অসিগী মীয়াম অমদি পার্টিগী থৌমীশিংদা অসিগুম্বা মখলগী খুদোংচাবশিং অসি শুংশোয় শোয়দনা পীগনি। করিগুম্বা গুজরাটতা এ এ পিগী ওইবা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি মথক্তা পনখ্রিবা খুদোংচাবশিং অসি শুংশোয় শোয়দনা ফংহনগনি। পার্টিগী খেন্নবা থিদনা গুজরাটকী মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা কান্নবশিং ফংহনগনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা বি জে পিগী থৌমীশিংদা আপিল তৌরদুনা হায়, গুজরাটতা চহী ২৭ লৈঙাক পায়দুনা লাকখ্রবা বি জে পিদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থাজরবদি অমুক হন্না মখোয়দা পৱার শীন্নবীয়ু। অদুবু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না বি জে পিদা থাজবা থমদ্রে হায়বসি ঐখোয়না খঙই। ঐনা বি জে পিগী থৌমীশিংদা হায়জনিংবদি বি জে পিগী থৌমী অমা ওইনা অদুম্মক লেঙদনা লৈবীয়ু। মরমদি বি জে পিগী থৌমী ওইনা লৈরি হায়না পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা থাজরিবমখৈ নখোয়দা শেল পীরক্কনি। অদুবু ইলেক্সন লোয়দুনা পৱার পায়খ্রবা মতুংদদি চহী ৫ হন্না য়েংবীরক্লোই। মরম অদুদা বি জে পিগী থৌমী ওইনা ওইনা মনুংদগী এ এ পিগী থবক ওইনা তৌবীয়ু হায়বসিনি। অমরোমদা, গুজরাট এ এ পিগী লুচিংবশিংদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌওং অদুবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# সুপ্রিম কোর্টনা এক্টিভিষ্ট তিষ্টা সেতালভাদ বেল পীরকখিবদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাট রিওট কেসকী মতাংদা সোসিএল এক্টিভিষ্ট ওইনা চোঙথোরক্তুনা থৌনা ফনা থবক তৌখিবী তিষ্টা সেতালভাদপু সুপ্রিম কোর্টনা ইন্টিরিম বেল পীবদা অয়াবা পীরকখিবা অদুবু সিনিয়র কোংগ্রেস লিদরসু ওইরিবা রাজ্যা সভাগী এম পি পি চিদম্বরমনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তিষ্টাবু অচুম্বগীদমক থৌনা ফনা লান্থেংনবা ঙম্বী লাম্মী অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পি চিদম্বরম্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্তরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা য়াদ্রি। করিগুম্বা পেন্দবা খরা ফোঙদোক্লরবদি ফাদুনা জেলদা হেক্তা থমজিনবগী চৎনবী অমা তৌরি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু ঙরাং লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা হান্নগী জজ জষ্টিস বি এন শ্রীকৃষ্ণ ঙরাং ফোদোকখিবা ৱাফম করিগুম্বা মীয়াম তিনবা মফম অমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর পামদে হায়না ঐনা হায়রুরবদি খুদক্তা নৎত্রগা ঙাইহাক লৈরগা ঐবু কনাগুম্বা খরনা শোয়দনা ফাবা লাক্কনি অমদি মরম অমত্তা পীদনা জেলদা থমজিনগনি হায়বসিনা ময়েক লারবা খুদম ওইরি। অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা এক্টিভিষ্ট তিষ্টা সেতলভাদকী ইন্টরিম বেল পীরকখিবা অসিদি তরাম্না ওকই হায়রি।

অমরোমদা তিষ্টাবু ইন্টরিম বেল লৌবদা অয়াবা পীখিবা চীফ জষ্টিস য়ু য়ু ললিট, জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাট অমসুং জষ্টিস সুধানসু ধুলিয়াগী বেটচনা ফোঙদোকখিবদা তিষ্টাদা ইন্টরিম বেল পীখিবা অসি মরম চায়। হায় কোর্টনসু সুপ্রিম কোর্টনা লৌরিবা ফীরেপ অসিগী মতুংইন্না থবক তৌগদবনি। অদুম ওইনমক বেল মনুংদা তিষ্টা ষ্টেট ৱাংমা লান্না চৎপা য়ারোই হায়রি।

# ওপোজিসন লিদরশিংগা উন্নবগীদমক বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমার দেল্লিদা চৎলগনি

পাটনা, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানবগীদমক বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমার লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দেল্লিদা চৎলবা য়ানা লৈরি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুনশিংনা হায়রি।

জনতা দল (য়ুনাইটেদ) তগী ফংবা পাউগী লিখুনশিং অসিগী মতুংইন্না নিটিস কুমারগী খোঙচৎ অসিদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধী য়াওনা এ এ পিগী লুচিংবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালসু উন্নরবা য়ানা লৈরি।

নিটিস কুমারনা বি জে পিগা শেৎনা খায়নরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা চৎকদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরি। খোঙচৎ অসি লৈবাক অসিগী ওপোজিসনদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা অমদি বি জে পিবু ইন্থুনবগী অচৌবা মরম অমা ওই হায়রি।

# এন জি টিনা বেঙ্গল গভর্ণমেন্টতা লুপা ক্রোর ৩৫০০ ফাইন থিনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সোলিদ এন্দ লিক্বিদ ৱেষ্ট জেনেরেসন এন্দ ট্রিটমেন্টগী থবক থৌরমশিং মতম চানা পায়খৎলমদবগীদমক নেসনল গ্রিন ট্রিবুনেল (এন জি টি) না পেনাল্টি ওইনা লুপা ক্রোর ৩৫০০ ফাইন ওইনা থিগৎলক্নবা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।

এন জি টিগী কোর্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিনা কুমজা ২০২২-২৩ গী বদজেটদা সিৱেজ অমসুং সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট ফেসিলিটি লৈহন্নবগীদমক য়াল্লবা শেনফম কয়া ইয়র মার্ক তৌদুনা থল্লবসু পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলমদবদগী ফাইন থিনবা খঙহনখিবনি।

# মাইগ্রেন্টশিং পুবা বসতা ট্রক্না থোমজিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিরে ২৪ হেন্না শোকখ্রে

লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : উট্টর প্রদেশকী মনুংচনবা বরাবনগী এরিয়াদা মাইগ্রেন্টশিং পুদুনা লাকখিবা বসতা ট্রক্না থোমজিনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিরে অদুগা ২৪ হেন্না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা বরাবানিগী সিনিয়র পুলিস ওফিসর পুরনেন্দুনা ফোঙদোকখিবদা মথোল অনী লোঙবা বস অদু নেপালি মাইগ্রেন্ট লেভরশিং পুদুনা লাকখিবনি। গৌৱা তম্না চৎকদবা বস অদু লম্বীদা টয়ার পঙ্কচর ওইরকপদগী দ্রাইভরনা খামদুনা টয়র শীন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা ট্রক অমনা নাকলদগী থোমজিল্লকপদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। বস অদুদা মীওই পুন্না ৬০ তোঙলকখিবগী মুনংদা ৪ শিরগা ২৪ হেন্না শোকখিবনি। অশোকপশিং অদু খুদক্কী ওইনা বরাবনকী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। মদুগী মনুংদা ৬ কী ফীভম লুবদগী লক্ষনৌ ট্রোমা সেন্তরদা রিফর তৌখ্রে হায়রি।

# কোভিদকী অনৌবা কেস ৭,২১৯ থেংনখি ২৫ শিহনখি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৭,২১৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৫ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৭,২১৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৪,৪৯,৭২৬ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৫৬,৭৪৫ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ২৫ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৭,৯৬৫ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৬৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১৩ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ২১৩.০১ কাপখ্রে। মখা তানা কাপথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

# হেমন্ট সোরেননা লুচিংবা লৈঙাক হুরানবগী লৈঙাক্লি ঃ বি জে পি

রানচি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : জরখন্দদা লৈরিবা হেমন্ট সোরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি হুরানবগী লৈঙাক্লি হায়না বি জে পিগী সিনিয়র লিদর নিসিকান্ত দুবেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর সোরেননা তৌনিংবদা তৌদুনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা বি জে পিনা পারা তন্বীরগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গোদাগী সিনিয়র এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা জরখন্দ গভর্ণমেন্ট অসি হুরানবশিংগী গভর্ণমেন্টনি। ঐখোয়না য়াম্না তাদুনা লাকখিবা ৱারী অলি বাবা অমসুং হুরানবা ৪০ গী ৱারীগা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্টকা মান্নে। সোরেননা অলি বাবানি অদুগা মহাক্কী তুংইনবশিং অদুনা হুরানবা ৪০ অদুনি। অসিগুম্বা মখলগী লৈঙাক অসি ইন্থুবগী মতম ওইরে। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু মশাগী ওইজবদা থিবা লৈঙাক অসিবু ইন্থুবনা বি জে পিগী মতেং পাঙবীয়ু হায়রি।



মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত সোরেন পুকচেল শেংবা মীওই অমা ওইরবদি সী বি আই অমসুং ঈ দিবু কিফম থোক্তে। অদুবু সেরেনদি সেন্ত্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংগী মমিং তাবদা অকিবা ফাওরি। মসিনা তাকপদি মহাক হুরানবা অমদি পুকচেল শেঙদবা মীওইনি হায়বনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খন্দ্রবসু বি জে পিনদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক খল্লি অমদি থবক তৌদুনা লাক্লি। ইলেক্টোরেল নোর্মস থুগায়রম্বগীদমক চীফ মিনিষ্টর সোরেনবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফিকেসন তৌনবা গভর্ণর অমদি ইলেক্সন কম্মিসনদা তকশিনবা লৈখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনদি হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণর অমসুং ঈ সীদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মসি সোরেনগী অরানবতা তৌদুনা লাক্লবা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিগী মপাঙ্গলনা হেনখিবননি। অদুম ওইনমক বি জে পিনা অরানবা তৌবা সোরেনগী মায়োক্তা মতম পুম্বদা লেপকনি হায়রি।

# মহৈরোয়দা কা হেনবা থবক চথখিবা ওজা অমদি হেদমাষ্টর ফারে

সিকর, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : মহৈরোয় অমদা কা হেনবা ফু চৈবগী থবক চথবদা চেন্নবা প্রাইভেট স্কুল অমগী ওজা অমসুং হেদমাষ্টর পুলিসনা ফারে হায়রি।

মহৈরোয় অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি অতোপ্পা ওজা অমনা ফারবা হেদমাষ্টর অমদি ওজা অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেসশিং রেজিষ্টর তৌরকখিবনি। মদুগী মতুং পুলিসনা মীওই অনী অসি ফাগৎখিবনি।

রিঙুসকী সরকল ওফিসর কনহাইলালনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইভেট স্কুল অসিগী প্রেয়র মিটিংদা ক্লাস ১২ তম্লিবা মহৈরোয় অশিস তেতুৱানা স্কুল ইন্সট্রক্সন ইনদে হায়বগীদমক মহাক্কী ওজা প্রদিপনা মমায়দা খুপাক্লা থাখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মহৈরোয় অসিনা স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর সগরমলদা কমপ্লেন তৌখি। অদুবু হেদমাষ্টর অসিনা এক্সন লৌখৎপগী মহুত্তা ওজা প্রদিপ কুমারগা মান্নরগা মহাকপু কা অমদা থোঙ লোনশিন্দুনা তমথিনা ফুখিবনি হায়রি। থৌদোক অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থোকখিবনি। নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংদা মহৈরোয় অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পুলিসতা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরকখি। স্কুল অদুগী ওজা অমনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরকখ্রবা মতুং পুলিসনা চেন্নরিবা মখোয় অনী ফাখিবনি হায়রি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 491/SDC/SWG of 2022**

Parties :- Laikhuram Pramo Devi D/o Achoibam Naba Singh of Chalou -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Achoibam Naba Singh S/o Samu Singh of Napet. -Opposite Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Sawombung, the 2nd September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 68-Napet পাট্টা ন: ... (অরিবা) 153 (অনৌবা) দাগ ন: 225 মোট এরিয়া 1.04 একর চাওবা ইখ্খোলগী পাট্টাদার Achoibam Naba Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/3830/4

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 492/SDC/SWG of 2022**

Parties :- Laikhuram Pramo Devi D/o Achoibam Naba Singh of Chalou -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Achoibam Naba Singh S/o (L) Samu Singh
Other Co-Pattadar : Laikhuram Ishwarchand Singh S/o Sanjit Singh of Napet Mamang Leikai (an area of 0.31 acre on the northern side) -Opposite Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Sawombung, the 2nd September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 68-Napet পাট্টা ন: ... (অরিবা) 8 (অনৌবা) দাগ ন: 19 মোট এরিয়া 1.56 out of 1.86 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Achoibam Naba Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/3830/4

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 490/SDC/SWG of 2022**

Parties :- (1) Laishram Tampha Devi W/o (L) Manohar Singh of Lamlai Makha Leikai.
(2) Laishram Shyamshundar Singh S/o (L) Manohar Singh of Lamlai Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Laishram Bokul Singh S/o (L) Chaoba Singh of Lamlai. -Opposite Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Sawombung, the 2nd September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 66-Lamlai পাট্টা ন: 101 (অরিবা) 338 (অনৌবা) দাগ ন: 323 মোট এরিয়া 0.22 একর চাওবা ইখ্খোলগী পাট্টাদার Laishram Bokul Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারীশিং অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/3830/4

# কোকেন কেপ্সুল ৮৭ য়োৎশিন্দুনা লাকখিবা ১ ফারে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী) : মুম্বাই কষ্টম দিপার্টমেন্টনা ঘানাদগী লাকখিবা মীওই অমা মুম্বাই ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা য়াল্লবা কোকেনশিংগা কোন্ননা ফাবা ঙমখ্রে হায়না কষ্টমসকী মকোক থোঙবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কোকেনশিং অসি ইন্দিয়াদা য়োন্নবগীদমক পুরকখিবনি। কেপ্সুল ৮৭ তা কোকেনশিং অসি হাপচিল্লবা মতুং য়োৎশিন্দুনা লাকখিবনি। কেপ্সুল ৮৭ তা য়াওরমখিবা কোকেন অদু গ্রাম ১৩০০ নি। হায়রিবা কোকেন অসি ইন্টর্নেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১৩ রোমগী ওইগনি। ঘানাদগী লাকখিবা পেসেঞ্জর অসিগী মওং মতৌ চিংননিংঙাই ওইবদগী মুম্বাই ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা মহাকপু কষ্টমস দিপার্টমেন্টনা মমাঙ থাগী ২৮ দা ষ্টেটনা চল্লাইবা হোস্পিটাল অমদা পুদুনা চেক তৌখি। মদুদা মহাক্কী মবুক মনুংদা য়াল্লবা কেপ্সুলশিং য়াওবগী মমি উবা ফঙলকখিবনি হায়রি।




HL-P/3658/12/8-12/9



HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)